## গভর্ণমেন্টকী স্কিমশিংগী মরমদা খঙদ্রবদি ইশাগী হক ফংবা ঙম্লোই ঃ করাম শ্যাম

*ইম্ফাল, এপ্রিল ২০ঃ* ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা সমাজদা শোখনা লৈরিবা কাঙলুপশিংগী য়াইফনবা পায়খৎলিবা স্কিমশিংগী মরমদা খঙদ্রবদি ঐখোয় ইশাগী হক ফংবা ঙম্লোই। পায়খৎলিবা স্কিমশিংগী মরমদা মীয়াম্না খঙনবা হোৎনবা তাই হায়না সি এ এফ এন্দ পি দি মিনিষ্টর করাম শ্যামনা ফোঙদোকখ্রে।

চঙাঙ্গৈ মখা লৈকাই কম্যুনিতি হোলদা কাঞ্চি ইন্দেননা শীন্দুনা ঙসি পাঙথোকখিবা উজৱালা দিবস পালন থৌরমদা অথোইবা মীথুংগী ৱারোল পীরদুনা মিনিষ্টরনা মখা তানা হায়, উজৱালা স্কিমগী মখাদা ইং ২০১১গী সোসিও ইকোনোমিক কাষ্ট সেন্সসকী মতুং ইন্না বেনিফিসরি ২,৪৩,০০০দা গ্যাস কনেক্সন পীগদবদা এপ্রিল ১৫ ফাওবদা কে ৱাই সি ৪২,২৩৫ খোমগৎপা ঙমখ্রে। মসিগী মনুংদা কে ৱাই সি ৩৮,৭৫৫ ক্লিয়ার তৌরগা কনেক্সন ৩৪,০৯৭ পীবা ঙমখ্রে। কান্নবা ফংগদৌরিবা বেনিফিসরিশিং স্কিমশিংগী মরমদা খঙবা ৱাংলি হায়বসি মসিনা ময়েক শেঙলবনি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা অচৌবদগী মীৎয়েং থম্বগী মহুত্তা খ্বাইদগী শোথরবা কাঙলুপতগী মীৎয়েং থমদুনা চাওখৎহন্নবা থৌরাং চঙশিল্লক্লি। রিপোর্টকী মতুং ইন্না ইন্দিয়াদা চহী খুদিংগী হেল্থ হজার্দ থোকপদগী নুপী লাক্ষ ৫ শিরি। নুপী অমনা শীঙনা চাক থোংবা মতমদা চুরুট ৪০০ থকপগা মান্নে হায়না রিপোর্ট তৌরি।

লৈবাক অসিগী নুপীশিং অসি হকচাং ফহনবা মথৌ তাই। মদুদা মীৎয়েং থমদুনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা নুপীশিংগী মশা মঙ ফনা থম্নবা অকোয়বগী ফিভম ঙাক শেন্দুনা থমহন্নবা, মীওইবগী হিংবগী থাক হেনগৎহন্নবা উজৱালা স্কিম অসি হৌদোকখিবনি।

হৌখিবা এপ্রিল ১৪দগী হৌরগা মে ৫ ফাওবা চত্থগদবা গ্রাম স্বারাজ অভিয়ানগী মখাদা পাঙথোক্লিবা উজৱালা পঞ্চয়ট অসিগী খুদোংচাবা লৌদুনা স্কিম অসিগী মরমদা খঙনবা হোৎনবীয়ু হায়খি।

ইশানা ফংগদবা খুদোংচাবশিং অদু কনানসু লাক্তুনা পীরোই। মিনিষ্ট্রি ওফ রুরেল দিভলপমেন্ট এন্দ পঞ্চয়েতি রাজনা মণিপুরগী খুঙ্গং ৫৭৩ গী য়ুমথোং ১৪৪,২৮২ অসি মৈখু চেন্দ্রবা ওইহন্নবা পান্দম থমদুনা চঙশিল্লক্লি। মসিগী মনুংদা ইমুং লিশিং ৪৬,০০০ লোমদনা খুদোংচাবা ফংহন্নবা পাউতাক পীরকপা লৈ।

মণিপুরগী ওইনা এল পি জি দিষ্ট্রিব্যুটর ৮৩ লৈবগী মনুংদা ৭৪ অসি রিগুলার বেনিফিসরি লাক্ষ ৪২দা গ্যাস পীবগী থবক চত্থরি। অসিগুম্বা স্কিমশিংগী কান্নবা অসি মপুং ফানা ফংহন্নবা হোৎনবদা প্রজাশিংগী মহুত্তা গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান, মেম্বরশিং, জিল্লা পরিষদতগী হৌরগা এম এল এ ফাওবা স্কিমশিংগী মরমদা খঙহনবদা কান্নবা ফংগনি হায়না লোই হায়খি।

হান্না এস ই সি সি দেটাগী মনুং চনবা মীওইশিংখক্তা নত্তনা প্রাইম মিনিষ্টর ওজৱালা স্কিমগী মথক্তা এক্সপান্দেদ উজৱালা স্কিম লাকখ্রে।

স্কিম অসিগী মখাদা এস সি এস টি, এ এ ৱাই, বি পি এল, খম থেংনা শোথরবা কাঙলুপশিং য়াওনা মীওই কাঙলুপ ৭না মসিগী খুদোংচাবা ফংহল্লবনি। মীয়াম্না স্কিম অসিগী মরমদা খঙনবা হোৎনদুনা থল্লিবা পান্দম অসিদগী হেন্না খুদোংচাবা লৌনবা হোৎনখি হায়খি।

থৌরম অদুদা আই ও সিগী দি জি এম রিটেল সেলস অমসুং ষ্টেট লেভেল কোওর্দিনেটর এস আই সিংহনা হায়, ঙসিগী উৱালা দিবস অসি মণিপুরদা মফম ৬০ হেনবদা পাঙথোক্লি। গ্রাম স্বারাজ অভিয়ানগী মখাদা মণিপুরগী খুঙ্গং ৫৭৩গী য়ুমথোং লাক্ষ ১,৪৪,২৮২ অসিগী মনুংদা মার্চ ১৪দগী মে ৫ ফাওবদা য়ুমথোং ৪৬,১৪২ কনেক্সন পীনবা পান্দম থল্লি।

হৌজিক চঙশিল্লিবা এক্সপান্দেদ উজৱালা অসি ইং ২০২০ ফাওবা চত্থগদবনি। মসিদা মীয়াম্না খুদোংচাবা মপুং ফানা লৌনবা হোৎনসি হায়খি।

থাউ–চিংবা লেপ্পবা য়াই হায়বগী মতাংদা মহাক্না হায়, মসিগুম্বা ৱাফম অসি থাউ–চিংবা অসি পব্লিক তেন্দর তৌরগা খ্বাইদগী পীকপা রিফর অদু লৌগদবনি। মদু ফংলবা মতুংদা করি করম তৌগদগে হায়বা ৱাফম লাক্কনি। হৌজিক লৈরিবা ত্রান্সপোর্ট কন্ত্রেক্টরশিং অসি থা অহুম শাঙদোকপীনবা মরী লৈনবা ওথোরিটিদা তক্করি। মসিদা প্রোব্লেম লৈতনা আই ও সিনা হোৎনরি হায়খি।

থৌরম অদুদা চঙাঙ্গৈ বি জে পিগী মেম্বর সিনাম মার্জিৎনা থৌরম মপু, আই ও সিগী মেনেজর (এল পি জি সেলস) টি সি কোরেন, বি জে পিগী জেনরেল সেক্রেটরী এন নিম্বস অমসুং সোসিয়েল ৱার্কর্স ও মালেসসু শরুক য়াখি।

## দিজাষ্টর মিটিগেট তৌবদগী রিস্ক হন্থহনবদা চঙশিল্লক্লি ঃ দাইরেক্টর

*ইম্ফাল, এপ্রিল ২০ঃ* দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট তৌবদা অমাঙ অতা থোকহনবদগী কন্নবা হোৎনবদগী অমাঙ অমা থোকহন্দবা হোৎনবরোমদা চঙশিল্লি। দিজাষ্টর মেনেজমেন্টকী সিষ্টেম অমদি থবক পায়খৎপগী মওং অসি দিজাষ্টর মিটিগেট তৌবদগী রিস্ক হন্থহনবদা চঙশিল্লক্লি হায়না রিলিফ এন্দ দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট দাইরেক্টর জোসেপ পাওলিননা ফোঙদোকখ্রে।

দি আই পি আরনা শিন্দুনা পরিংনাইনা চত্থরক্লিবা দিপার্টমেন্ট হেদশিংগা পাউমীশিংগা উন্নবগী থৌরমদা রিলিফ এন্দ দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট দাইরেক্টর জোসেপ পাওলিননা হায়, দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট এক্ট, ২০০৫গী মতুং ইন্না ইং ২০০৬তা লিংখৎখিবা রিলিফ এন্দ দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট দিপার্টমেন্টনা মহৌশানা থোকহনবা অমাং অতাশিং অমদি রিলিফ মেজরশিং, দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট অমসুং সিভিল দিফেন্সকা মরী লৈনবা থবকশিং পায়খৎলি। দিপার্টমেন্ট অসিগী ওইবা ষ্টেট দিজাষ্টর রেস্পোন্স ফোর্সসু লৈ। সর্চ এন্দ রেস্ক্যু ওপরেসন, মহৌশানা থোকহনবা অমাঙ অতাশিংদা অশোক অপন নংলবা মীওইশিংদা ফার্স্ত এইদ পীবগী থবক ফোর্স অসিনা পাঙথোক্লি। তোঙান–তোঙানবা লমশিংদা মতিক চানা ত্রেনিং ফংলবা পার্সোনেল ১১২সু লৈ হায়না ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তানা হায়, দিপার্টমেন্ট অসিনা ম্যুনিসিপাল কাওন্সিল্লরশিং, মেম্বরশিং, ভিলেজ চীফশিং, মহৈরোইশিং, নর্সশিং, ইঞ্জিনিয়ারশিং, ওর্গনাইজেসনশিং, এন সি সি, এন এস এস, স্কাউট, আসা, নুপীশিংগী লুপনচিংবা য়াওনা মীওই লিশিং ৬ হেন্না ইং ২০১৭–১৮দা ত্রেনিং পীখ্রে। ত্রেনিং অদুদা মরু ওইনা বেসিক ত্রেনিং, কম্প্রিহেন্সিভ লেন্দস্লাইদ, সাইক্লোন, আর্থক্কেক রেজিস্টেন্ট কন্সট্রক্সন এন্দ রেট্রোফিটিং, ক্লাইমেট চেঞ্জ এদাপটেসন, মোক এক্সর্সাইজনচিংবগী ত্রেনিং পীখি।

মণিপুর সরকারনা ষ্টেট লেভেলদা চীফ মিনিষ্টরনা চেয়ারমেন ওইবা মণিপুর ষ্টেট দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট ওথোরিটি অমদি চীফ সেক্রেটরীনা চেয়ারমেন ওইবা ষ্টেট একজ্যুকিটিব কম্মিটি শেমখ্রে। দিষ্ট্রিক্ট লেভেলগী ওইনা দি সিশিংনা চেয়ারমেন ওইদুনা দিষ্ট্রিক্ট দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট ওথোরিটিসু শেম্লে। মসিগী মথক্তা পুং ২৪ চুপ্পা থবক তৌদুনা লৈবা ষ্টেট ইমর্জেন্সি ওপরেসন সেন্টর অমদি দিষ্ট্রিক্ট ইমর্জেন্সি ওপরেসন সেন্টরসু মথৎশিংনা ষ্টেট অমদি দিষ্ট্রিক্টকী থাক্তা শেমখ্রে হায়না ফোঙদোরক্লি।

দাইরেক্টোরেট ওফ সিভিল দিফেন্সকী ওফিসার (ট্রেনিং) এম দি অয়ুব খাননা হায়, মণিপুর অসি আর্থক্কেক জোনগী লিষ্টতা ৫শুবদা লৈ। মসিনা মরম ওইদুনা অকনবা য়ুহার হারকপা য়াবনা ষ্টেট অসিগী দিষ্ট্রিক্ট খুদিংমক্তা য়ুহার হারকপদা পীবা য়াবা ফার্স্ত এইদ অমদি দিজাষ্টর মায়োক্নবগী ট্রেনিং দিপার্টমেন্ট অসিনা পীরি।

দিপার্টমেন্ট অসিগী দোক্যুমেন্টেসন কম রিছার্স ওফিসার এ কে রঞ্জিৎকুমার সিংহনা হায়, খুদোংথিবা নংলবা মীওইশিংদা চান–থক্নবা, হিদাক লাংথক্কী খুদোং চাবা পীননবগীদমক এয়ার ফোর্সকী মতেং লৌই। লৌফমশিংদা অমাং অতা থোক্লকপদা অনৌবা পুন্সি অমা শাগৎনবা মতেংসু পীরি। দিষ্ট্রিক্টশিংগী দি সিশিংনা নোদেল ওফিসার ওইনা অমাং অতা থোক্লকপা মতমদা রিছার্স অমদি সর্ভে তৌরি।

মোরা সাইক্লোননা লাকখিবগা ইরোয়ননা থোকখিবা ঈশিং ঈচাও অমদি লেন্দস্লাইদনা থোকহনখিবা অমাং অতাদা মতেং ওইননবা ষ্টেট দিজাষ্টর রেস্পোন্স ফন্দগী ইং ২০১৭–১৮গী ওইনা লুপা লাক্ষ ১০৬০ কাইথোকখি। মসিগী মনুংদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী ওইনা লুপা লাক্ষ ১৪০, ইম্ফাল ইষ্টকী লুপা লাক্ষ ১২০, থৌবালগী লুপা লাক্ষ ১৩০, ককচিংগী লুপা লাক্ষ ৬০, বিষ্ণুপুরগী লুপা লাক্ষ ৯০, সেনাপতিগী লুপা লাখ ৬০, কাংপোকপীগী লুপা লাক্ষ ৫০, তমেংলোংগী লুপা লাক্ষ ৭০, চুরাচান্দপুরগী লুপা লাক্ষ ৮০, চান্দেলগী লুপা লাক্ষ ৭০, উখ্রুলগী লুপা লাক্ষ ৭০, তেংনৌপলগী লুপা লাক্ষ ৩০, নোনেগী লুপা লাক্ষ ৩০, ফেরজোলগী লুপা লাক্ষ ৩০ অমদি কামজোংগী লুপা লাক্ষ ৩০ য়াওরি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা দিপার্টমেন্ট অসিগী কন্সলটেন্ট কে চন্দ্রসেখর সিংহসু শরুক য়াখি অমদি ওফিসিয়েলশিংনা মীয়ামদা য়ুম–কৈ শাবা, দাম শাবনচিংবদা মহৌশানা থোকহনবা অমাং অতাশিংদগী য়ারিবমখৈ ঙাকথোক্নবা মওংদা চেকশিন্না থবক পায়খৎনবসু অপিল তৌখি।

## মোরেদা য়ুম ৭ মৈনা তুম্না চাকখ্রে

*মোরে, এপ্রিল ২০ঃ* তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা বোর্দর টাউন মোরেগী ৱার্দ নম্বর ৩দা লৈবা ভারা শানবা য়াওনা পুন্না য়ুম ৭ ঙরাং অহিং পুং ১০.১৫ তাবা অদুৱাইদা মৈনা তুম্না চাকখ্রে। অদুগা য়ুম অনীদি কা হেন্না অমাং অতা থোক্তনা কনবা ঙমহৌরে হায়রি।

মৈ কন্নবা হোৎনবদা মোরে ফয়ার সার্ভিসকী ৱাটর টেঙ্করনা ঙম্লক্তবদগী লান্নাইগী ৱাটর টেঙ্কর গারীশিং পুথোক্তুনা অঙম্বা মতেং পাংখি। ম্যান্মারগী তমু টাউনদা লৈবা ফয়ার সার্ভিসকী ৱাটর টেঙ্করশিংসু চঙশিল্লক্তুনা মৈ কনবদা মতেং পাংখি। চাওরাক্না নোংয়াই মতুং মিনিট ৩০ রোম তাবা ফাওবা কনবা ঙমখিদে হায়রি।

মোরে পুলিস, কম্মান্দো, ১১ অসাম রাইফলস অমসুং অকোইবদা লৈবা মীওইচা কয়াসু কৈ কন্নবা হোৎনবদা পাংবা য়াবা মতেং পাংদুনা হোৎনখি। লাইবক থিবা থৌদোক অদুদা চহী ৪ রোমদা ঙাইরিবা ফ্রান্সিস খাইসুনলিয়ান অপোকপা খাইলেনখুন কৌবা অঙাং অমসু শোক্তুনা মোরে হোস্পিটালদা লায়েংখি। অদুবু খুদোংচাবা কয়া ফংদবদগী ইম্ফালদা পুখ্রে।

থৌদোক অদুদা লুপা কয়ামুক্কী মাল চাং মাং তাকখ্রবগে হায়বা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। ঙসি তেংনৌপল কেন্দ্রগী এম এল এ কোরুংথাং, এ দি সি চান্দেলগী চেয়ারমেন লুনখোসৈ জৌ, দি সি তেংনৌপাল কে ঐচ রঘুমনি, এস পি তেংনৌপল ডা. এস ইবোমচা, রিলিফ এন্দ দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট ওথোরিটিগী ভাইস চেয়ারমেন আদিম পামৈ, এ দি সি মোরে এন বঙ্কিম, দি এস পি (কম্মান্দো) টি ঐচ থোমাস অমদি তোঙান–তোঙানবা লুপচিংবশিং য়াওনা অৱাবা তারবশিংগী ফিভম হকথেংননা য়েংশিনখি।

এম এল এ কোরুংথাংনা অৱাবা নংলবা ইমুংশিংদা শেলগী মতেং পাংখি। এ দি সি চান্দেলগী চেয়ারমেন লুখোসৈনসু লুপা লিশিং ১০ মতেং পাংখি। দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগী মায়কৈদগী চে, হৱাই, থাওনচিংবা ফংহল্লগনি অদুগা রিলিফ এন্দ দিজাষ্টর মেনেজমেন্টকী মায়কৈদগী টর্পোলিননচিংবা পীখি হায়রি।

## টি জি ইংলিস স্কুল বিষ্ণুপুরদা এন্টি দ্রগ কেম্পেইন পাঙথোকখ্রে

*ইম্ফাল, এপ্রিল ২০ঃ* লমদম অসিদগী ময়াই কাবা চিঙ্গাক মরু ফংনা মুখৎনবা পান্দমদা চঙশিল্লকপা একাদেমিক কেম্পেইনগী মনুং চন্না ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এমসু) অমসুং কোলিয়েসন এগেনষ্ট দ্রগস এন্দ অলকাহোল (কাদা)গা খুৎশম্নদুনা ঙসি টি জি ইংলিস স্কুল বিষ্ণুপুরদা এন্টি দ্রগ কেম্পেইন পাঙথোকখ্রে।

কেম্পেইন অদুদা স্কুল অসিগী সেনিয়ার ওজা কে লৈরেঞ্জাও সিংহ অমদি সি ঐচ শ্যাম অমসুং কাদাগী একজিক্যুটিব মেম্বর তখেল্লম্বম ওংবী পুর্ণিমানা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইখি।

কে লৈরেঞ্জাওনা হায়, কেম্পেইন অসিদা ওজা অমদি মহৈরোই পুন্না শরুক য়ামিন্নবা তঙাইফদে। মহৈরোইশিংগী পুন্সি অসি য়াম্না চেকশিনগদবা মতাংনি। ওজাশিংসু মহৈরোইশিং শেম্বদা অচৌবা থৌদাংশিং লৌদুনা লাক্লি। চেল্লিবা গারীদা নত্তনা মীওইবসু এক্সিদেন্ট থোক্লোই হায়নিংঙাই লৈতে। অদুনা নিষা শীজিন্নরবদি শোইদনা এক্সিদেন্ট থোক্কনি। নিষাগী মায়োক্তা ঐখোয় পুন্না লেপমিন্নদুনা চঙশিল্লিবা একাদেমিক কেম্পেইন অসি মায় পাকহন্নবা হোৎনমিন্নসি হায়খি।

রিছোর্স পার্সন ওইখিবা কাদাগী সেক্রেটরী জেনরেল দিপঞ্জিৎ নিংথৌজমনা হায়, মহৈরোইশিংনা হিদাক মনাগী পোৎলমশিং শীজিন্নবা য়াদে, স্কুল ওথোরিটিনসু কনাগুম্বনাশীজিন্নরক্লবদি ফাইন লৌগদবনি। স্কুলগী অকোইবা মিটর ১০০গী মনুংদা লৈবা দুকানশিংদা হিদাক মনাগী পোত্থোকশিং য়োল্লবদি স্কুল ওথোরিটিনা থা অমা থোংলোলহনবা য়াই। অসিগীসু মথক্তা ফুদ সেফটি এন্দ ষ্টেন্দার এক্ট ২০০৫কী মতুং ইন্না হিদাক মনাগী পোত্থোকশিং য়োনবা, পৈশিন্দুনা থম্বা য়াদে। করিগুম্বা থল্লম্লবদি লুপা লাক্ষ ২ ফাওবা ফাইন তৌহনবা অমদি জেলদা থম্বা ফাওবা য়াই।

য়ু অমদি অতৈ দ্রগ মখলশিংসু অথিংবা লৈনা লৈনা মরাং কাইনা ফংলকপা, ফারবসু মতম চানা মীয়ামখঙনা আইনগী ওইবা চৈরাক পীদবনা মরম ওইরগা নোংম নোংমগী নিষা শীজিন্নবগী চাং হেনগৎলকপনি।

মহাক্না মখা তানা হায়, কনানা নিষা য়োল্লি, আইন থুগাইরি, কনানা থিংলি অদুগা কনানা চৈরাক পীগদৌরিবগে হায়বসি মীয়াম্না চম্মনবা ওইরি। মালেমগী ওইনা তমথিরবা লায়না খুদিংমক্কী পোফম মণিপুরদা ওইরক্লি। মহৈরোই অমদি নহারোলশিংনা তম্বা ঙমদবা ফিভম অমদা লৈ। নুপীশিংনা অৱাবা খুদোংথিবা কয়াগা লোয়ননা অচৌবা পোৎলম পুদুনা ৱানা হিংলি। অদুনা ইশানা ইশাবু কঞ্জনবা হোৎনবদা অচৌবা শীংনবা অমা মায়োক্নরিবা অসি ঐখোয় পুন্না কোকহন্নবা হোৎনমিন্নসি হায়নসু মখা তানা ফোঙদোকখি।

## খোঙজোম নুমিৎকী অখন্নবা পেসেঞ্জর সব সার্ভিস লৈগনি

*ইম্ফাল, এপ্রিল ২০ঃ* থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা খোঙজোম খেবচীংদা থা অসিগী ২৩ লাক্লিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা পাঙথোক্কদৌরিবা খোঙজোম দে ২০১৮ থৌরমগা মরী লৈননা মফম অসিদগী চৎকদবা মীয়ামগীদমক এস এল বস অমসুং ওর্দিনরি বস সার্ভিস অখন্ননা লৈনবা ট্রান্সপোর্ট দিপার্টমেন্টনা থৌরাং তৌখ্রে।

মণিপুর সরকারগী ট্রান্সপোর্ট দিপার্টমেন্টকী দাইরেক্টরনা ঙসি থোকখিবা চেরোলনা হায়, ইম্ফালদগী খেবচীং ফাওবা এস এল এফ বস অমসুং ওর্দিনরি বস পুন্না ৫ নুমিৎ অসিগী অয়ুক পুং ৬.৩০দা অহানবা মণিপুর রাইফলস পেরেদ গ্রাউন্দগী নোংপোক থংবা শরুক অমসুং এম এস দি কমপ্লেক্সকী মমাঙদা খামদুনা লৈগনি। মীয়াম্না হায়রিবা বসশিং অসিদা খেবচীং ফাওবা চৎপা অমসুং হল্লকপগী খুদোংচাবা ফংগনি।

অদুগা অতোপ্পা এস এল এফ বস, ওর্দিনরি বস অনীনা কোইরেঙ্গৈদগী চীংমৈরোং অমসুং পোরোম্পাৎ জঙ্কসন ফাওদুনা অয়ুক পুং ৬.৩০দগী হৌনা খেবচীং ফাওবা চৎনবা থাগনি। মীয়াম্না হায়রিবা বস অনী অসিদা চৎপসু য়াগনি।

অয়ুক পুং ৬.৩০দগী ৮ ফাওবদি মীয়ামগী খুদোংচানবগীদমক ভারা য়াওদনা খেবচীং ফাওবা চৎপা অমসুং হল্লকপগী খুদোংচাবা অসি মীয়াম্নসু লৌবিদুনা খোঙজোম দে থৌরম মপুং ফাহনবীয়ু হায়না অপিল তৌরি।

## ৱাখাদা লিগেল এৱেয়ারনেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

*ইম্ফাল, এপ্রিল ২০ঃ* ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা ৱাখা অয়োকপা খুলদা লৈবা লৈতাই নোংদাই সিনাই পুংনা শিন্দুনা নোংমগী ওইবা লিগেল এৱেয়ারনেস প্রোগ্রাম ঙসি ৱাংখৈ পুজা লম্পাক কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট লিগেল সার্ভিসেস ওথোরিটি ইম্ফাল ইষ্টকী মীৎয়েং মখাদা পাঙথোকখিবা প্রোগ্রাম অদুদা হ্যুমেন রাইট লো নেটৱার্ককী এসিষ্টেন্ট দাইরেক্টর কুমারী টি ঐচ প্রেমলাতা এদভোকেট, এদভোকেট এল সঞ্জয়, সিনাই পুংগী প্রসিদেন্ট নাওরেম বন্দনা অমদি সোসিয়েল ৱেলফিয়ার দিপার্টমেন্টকী চাইল্ড ৱেলফিয়ার ওফিসার বোবোনা রিছোর্স পার্সন ওইনা তোঙান–তোঙানবা হিরমদা ৱা ঙাংদুনা নৈনখি হায়রি।

## থৌরি য়ান্দুনা শীরম্লে

*ইম্ফাল, এপ্রিল ২০ঃ* ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা চিংমৈরোং তাঙ্খুল এভেন্যুদা লৈবা চহী ২২ রোম শুরবা মহৈরোই নুপা মচা অমা মহাক্না লৈরিবা য়ুমদা কেবল ৱেয়ারনা থৌরি ওইরগা য়ান্দুনা শিরম্লে।

পাউ অসিনা হায়, ঙসি অয়ুক অঙনবদা থৌদোক অদু অনকপদা লৈবা মীওইশিংনা থেংনরকখিবনি। শিরম্লিবা মহৈরোই অদু থোপিং হোরাম অপোকপা থোইনী হোরাম কৌই উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা ন্যু টুসোমদগীনি। দি এম কলেজদা মহৈ তমদুনা তাঙ্খুল এভেন্যুদা লৈবনি। করি মরমগীদমক্তগা মথন্তা শিজরম্লিবনো হায়বদু খঙবা ঙমদ্রি।

## এন্টি রেপ লো দিমান্দ তৌদুনা কেম্পেইন চত্থরগনি ঃ এমসু

*ইম্ফাল, এপ্রিল ২০ঃ* ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এমসু)গী ৱুমেন ৱিংনা এন্টি রেপ লো দিমান্দ তৌদুনা মীয়াম য়াওনা কেম্পেইন চত্থবা হৌরগনি হায়রি।

এমসু ৱুমেন ৱিংগী কনভেনর নোংথোম্বম বিদ্যারানিনা ঙসি থাদোরকপা চেরোলনা হায়, নুপী অঙাংশিংগী মথক্তা লিশাং শীৎনা চত্থরক্লিবা ক্রাইমশিং অসি মাংহনখিনবা মণিপুর সরকারনা এন্টি রেপ লো অমা শেমদুনা রেপিষ্টশিংবু মতিক চাবা অকনবা দন্দি পীয়ু হায়না তকশিন্দুনা লাকখিবনি। তোঙান–তোঙানবা সেক্সনদা লৈরিবা মীপুম খুদিংমক্না অমত্তা ওইনা খোঙফম চেৎনা লেপমিন্নদুনা রেপিষ্টশিং মরু ফংনা মাংহনখিনবা হোৎনমিন্নসি। হন্দক কথুঅদা চহী নৌরিবা নুপী মচা অমা রেপ তৌরগা হাৎখিবা অমসুং উনাওগী রেপ কেস অদু অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই। থৌদোকশিং অদুদা চেন্নরিবশিং মতিক চাবা অহকপা দন্দি পীগদবনি হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

এন্টি রেপ লো দিমান্দ তৌরদুনা চঙশিনগদৌরিবা কেম্পেইন অসিদা মীয়াম্নসু শরুক য়াবিয়ু হায়নসু ৱুমেন ৱিংনা মখা তানা অপিল তৌরি।

## ঝাওরানাও সিনসিম ৱুমেন ৱার্কেট হায়না মিং থোন্দ্রবদি শঙ্গাবা য়ারোই ঃ এসোসিয়েসন

*ইম্ফাল, এপ্রিল ২০ঃ* উখ্রুল দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বাটরগী গান্ধিচোক মনাক্তগী নৌনা শাগৎলকখিবা ৱুমেন মার্কেট সেট অসি ঝাওরানাও সিনসিম ৱুমেন মার্কেট হায়না মমিং থোন্দ্রবদি লাক্লিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা শঙ্গানি হায়রিবসি থিংগনি হায়না ঝাওরানাও সিনসিম ৱুমেন ভেন্দর এসোসিয়েসননা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি মণিপুর প্রেস ক্লব ইম্ফালদা পাউমীশিংগা উন্নবদা এসোসিয়েসন অসিগী সেক্রেটরী কে এস ফিলাচোননা হায়, ১৯৮৮তা মতম অদুগী ইমা–ইবেলশিংনা নুপী কৈথেল অসি হৌদোকখিবনি। অদুগা ২০০৬তা এসোসিয়েসন অসি মেম্বর ২০০ হেন্না লৈদুনা শেমখিবনি। কৈথেল অসিদা ইমা–ইবেলশিংনা থেংনরিবা অৱাবা খুদোংচাদবা কয়া অসি খরমখৈ কোক্নবা দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিল অমদি মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টনা য়েংশিনবীদুনা লাকপনি। অদুবু শারিবা মার্কেট সেট অসিগী মতাইদা পোৎফম ফম্বগী অয়াবা দিপ্যুতি কম্মিস্নারনা পীবদগী টেম্পরেরি সেথ শাখিবনি।

অদুবু হৌজিক সরকারনা মার্কেট সেট অসি শাদুনা লোইশিল্লকপদা হরাওবা অমসুং নুংঙাইবা ফাওই। অদুন্নদি ওইরগা শাবা হৌগৎলকপদা এসোসিয়েসনগী মিং য়াওনা সাইন বোর্দ ফাওবা থেৎলম্লগা হৌজিক শঙ্গারমদাই অসিদা ইমা কৈথেল হায়না মমিং থোনগনি হায়বা মেদিয়াদগী তাবা অসিদি পেন্দে অমসুং নুংঙাইতে অদুনা ঝাওরানাও সিনসিম ৱুমেন মার্কেট হায়না মমিং থোন্দ্রবদি থা অসিগী ২৪দা শঙ্গানি হায়না থৌরাং তৌরিবা অসি অথিংবা পীগনি, শঙ্গাবা য়ারোই হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

**লমায় ১ গী মখা**

## ইশাগী ঈথৌ মশক খঙনা পাঙথোক্লবা মতমদা ...

পীক্লা তাল্লিবা শেনফম অদু মাঙহন্দনা থমজিনবগা লোয়ননা পেঙ্গোকনা হিংবা তমগদবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

লমদম অসিদা চেঙ ফঙদবগী অৱাবা লৈরে হায়নরিবা অসিগী মতাংদা শেংদোল্লন্দুনা হায়, মণিপুরগী সোসিয়েল ৱেলফিয়ার দিপার্টমেন্টনা থা খুদিংগী য়াল্লবা চেঙ লৌদুনা লাক্লি। অদুবু কন্ত্রেক্টর অমদি ট্রেন্সপোর্টর অনীগী মরক্তা য়ান্নদবা লৈবনা থা তরুকলোমগী চেঙ লৌদ্রি।

হায়রিবা অসি মীয়ামদা ফঙহনগদৌরিবনি। লমদম অসিদা শীজিন্নগদবা খুদিংমক এফসিআই পীগদবনি হায়বদি অরানবা ওইগনি।

নফমাগী খথাংদা পীরিবা চেঙ অসি চাদ ৮০নি।

থৌরম অদুদা ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসনগী ময়োর এল লোকেশ্বর অমদি কেডোগী প্রসিদেন্ট সোইবম মনিতোনসু শরুক য়াখি।

## এনএসসিএন ফেক্সন অনীগা তৌনরকপা সিজ ফয়ার ...

অদুগা এনএসসিএন (আর)গী মায়কৈদগীনা কো–সুপরভাইজর (সিএফএসবি) ভিনিহো কিহো স্বু মেম্বর তোশি লোংকুমারনা সহি তৌরগা এমঐচএগী মায়কৈদগীনা জোইন্ট সেক্রেটরী সত্যেন্দ্র গর্গনা সহি তৌখি। য়ান্ন চেরোল অনীমক্তা সিজ–ফয়ার এগ্রিমেন্টশিং অসিগী মতম চহী অমগা শাংদোকলিবসি নাগা মীয়াম য়াওনা নাগালেন্দদা শান্তি পুরক্নবনি হায়রি।

সিজ ফয়ারগী য়ান্নবা শাংদোক্লিবসি নাকল অনীমক্না য়ান্নদুনা সহি তৌনবা মসিগী গ্রাউন্দ রুলশিংসিদনি। গ্রাউন্দ রুলশিং অসি রিভিয়ু নৎত্রগা এমেন্দমেন্ট তৌরকপদা নাকল অনীনা য়ানবগী মখা পোনগনি হায়বা ৱাফমসু য়ান্ন চেসিদা য়ান্নখি।

## শেনবা চহী অসিগী ওইনা এমজি নরেগাগী লুপা ...

ডিন ডয়াল উপাধ্যায়া গ্রামিন কৌসলা য়োজনা অসিনা খুঙ্গংগী নহাশিংদা থবক পীনবা হোৎনবগা লোয়ননা ট্রেন তৌরবা,মপুং ফানা হৈরবা নহাশিংগী মনুংদা চাদা ৭০দি থা অমগী লুপা ৮০০০ তলব পীননবা পান্দম থল্লি।

রুরবানগী মতাংদা পল্লদুনা মহাক্না হায়, খাংঙবোক ক্লষ্টর, কৈরাও মকতিং ক্লষ্টর অমসুং সাইকুল ক্লষ্টর অসি হৌজিক ফাওবদা রুরবান ক্লষ্টর ওইনা খন্দোক্লে।

দিপ্যুটি সেক্রেটরী আরদি এন্দ পিআর বিদ্যরানি অয়েকপমনা হায়, এমজি নরেগাগী মরুওইবা পান্দমদি বেনিফিসরিশিংদা মনুং–মপান নাইদনা মখোয়গী বেঙ্ক একাউন্টশিংদা খূৎশুমল য়ৌহনবা অদুনি। মসিগীদমক জোব কার্ড পায়রবশিংনা বেঙ্ক একাউন্ট হাংদুনা পাসবুক অমসুং এটিএম মশাদা লোয়নদুনা লৈগদবনি।

আরদি এন্দ পিআরগী দাইরেক্টর কে শ্যামশুন্দর সিংহনা হায়, জিল্লা পরিষদকী মশীংনা তরুক্লি অমদি গ্রাম পঞ্চায়টকী মশীংনা ১৬১নি। ২০১৭–১৮দা তরামরিশুবা ফাইনান্স কম্মিসনদগী গ্রাম পঞ্চায়টকীদমক ফঙলকপা ফন্দগী শেনফম অসি লুপা কোটি ৩৫.৫৯নি অমদি গ্রাম পঞ্চায়ট ৬৩দা পার্ফোমেন্স গ্রান্ট ওইনা লুপা কোটি ৪.৫৭ অমসু পীরকখি।

## প্রধান মন্ত্রি গ্রাম সরক য়োজনা–টুগীদমক মণিপুর ...

পিএমজিএসৱাইগী মাপনশুবা ফেজ(বেটচ–টু, ২০১৭–১৮)গী ওইনা সেঙ্কসন তৌরকপা থবক মশীং অসি ১৯৫নি। মসিগী মনুংদা লম্বীনা ১৪২ অমদি থোংনা ৫৩নি। অপুনবা লম্বীগী অশাংবনা কিলোমিটর ১৭২৫ অমদি মী তাবা মফমনা ৯৬নি। মসিদা চঙগদবা অপুনবা শেনফমনা লুপা কোটি ১২০৫নি। পিএমজিএসৱাইগী তরানিথোইশুবা ফেজ (বেটচ–ৱান, ২০১৮–১৯)গী ওইনা প্রপোজেল থাগৎলিবা থবক মশীং অসি ১৩৬নি। মসিগী মনুংদা লম্বীনা ১০৯ অমদি থোংনা ২৭নি। অপুনবা লম্বীগী অশাংবনা কিলোমিটর ১৭২০ অমদি মী তাবা মফমনা ৩০নি। মসিদা চঙগনি হায়না পাদুনা প্রপোজেল থাগৎপদা উৎখিবা অপুনবা শেনফমনা লুপা কোটি ১০২০নি। প্রপোজেল অসি এনআরআরদিএ / মিনিষ্ট্রি ওফ রূরেল দিভলপমেন্টতা পীশিনখ্রে।

পিএমজিএসৱাইগী মখাদা শেমগৎখিবা লম্বী অমদি থোংশিং অসি এমএসআরআরদিএনা শেমজিন্দ্রিঙৈগী মমাংদা রূটিন মেনটেনেন্স পায়খৎলি। থ্রি–টয়ার ক্বালিটি কন্ট্রোল সিষ্টেম শীজিন্নদুনা মোনিটর তৌবনা খ্বাইদগী অফবা মখলগী লম্বী ওইগনি। থবক শুফমদা কন্ট্রেক্টরশিংনা ফিল্ড লেবোরেটরি থল্লি অমদি পিআইইউনা ফাষ্ট টায়র ক্বালিটি কন্ট্রোল তৌই অমসুং এনআরআরডিনা সেম্লেল ক্বালিটি মোনিটরশিংগী খুথাংদা থার্দ টয়র ক্বালিটি কন্ট্রোল তৌই। পিএমজিএসৱাই লম্বীশিং অসি টন ৮.২ লুম্বা ফাওবগী খাঙবা ঙম্মী অদুবু মসিদগী হেন্না লুম্বা চৎশিনবনা লম্বীশিং অসিদি মসিনা কপোন্টেশিংদা অকায়–অতোই থোকহল্লি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

## গর্ভমেন্টনা ষ্টেটসিদা ক্বা মনা পুথোক–পুশিন তৌবা...

কেস অনীমক্কী পিটিস্নরশিংনা কোর্টসিদা ফোঙদোক্নরকখিবনা গভর্ণমেন্টকী ওর্ডর অসি কন্সটিট্যুসন ওফ ইন্দিয়াগী আর্টিকল –১৪,১৯(১)(জি) অমসুং আর্টিকল ৩০১গী মায়োক্তনি।

আর্টিকল ১৯ (১)(জি) অমসুং আর্টিকল ৩০১গী প্রোভিজনশিংনা হায়রিবনা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা অথিংবশিং থম্নবগীদমক লেজিসলেচরশিংনা লো অমা শেন্নগা অথীংবা থমজিনবদি ঙমই। অদুবু লল্লোন পোৎশিংবু হেক্তমক পূমথিংথিংজিনবগী অথীংবদি পীবা ঙমদে হায়বসিনি।

কোর্টনা নাকল অনীগী কাউন্সেলশিংগী ৱাফমশিং তারবা মতুংদা কেস অনীমক্কী রেসপোন্দেন্টশিংদা নোটিশশিং ইশু তৌখি। নোটিশশিং অসি চয়োল মরিগী মনুংদা মসিগী পাউখুমশিং পীরক্নবসু খঙহনখি। লোয়ননা ওর্ডর অসি চৎহনবীগনু অমদি মসি চৎনহন্দবগী কোর্টকী থবক্তা মতম চঙগদবা লৈরবদি মরক্কী ওর্ডর অমা হান্না থোক্লগা চৎনহন্দনা থম্বীয়ু হায়জরকখিবগী মতুং ইন্না মরক্কী প্রেয়র অসিগীদমক থাসিগী ৩০দা কেসশিং অসি লিষ্ট তৌরগা নুমিৎসি ফাউবদি ওর্ডরসি চৎহন্দনা থমখিবনি।

পনবা য়াবদি গভর্ণমেন্টনা ক্বা মনাশিংদা লেভি ওফ রোয়েল্টি লৌররোই হায়খিবদুনা পোৎলমশিং অসিদা গভর্ণমেন্টনা টেক্স লৌরে হায়দুনা ফাইল তৌরকখিবা দব্লিয়ুপি (সি)–২৪ ওফ ২০১৮গী মতুং ইন্না মরক্কী ওইবা ওর্ডরদা টেক্স লৌরনি হায়বা ওর্ডর অসি চৎনহনখিদবদগীনি।

কেসশিং অসিদা পিটিস্নরগী মায়কৈদা সেনিয়র এডভোকেট ঐচ এস পাওনম অমসুং এডভোকেট এন বিপিনা লেপ্লগা রেসপোন্দেন্টশিংগী মায়কৈদনা এডভোকেট জেনরেল এন কুমারজিৎ অমসুং এডভোকেট পি তম্ফামনিনা লেপখি।

**লমায় ১ গী মখা**

## পার্বুংদা জিনজর (শিং) ফেষ্টিভেল হৌখ্রে থানলোনদা ...

ষ্টেট অসিগী তোঙান–তোঙানবা মফম ১৩দা লুপা ক্রোর ১০ চঙনা কোল্ড ষ্টোরেজশিং শাগৎলগনি হায়নসু মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা হোর্টিকলচর এন্দ সোইল কঞ্জার্ভেসন মিনিষ্টর টিঐচ শ্যামকুমার, ৱার্ক্স মিনিষ্টর টিঐচ বিশ্বজিৎ, থানলোন কেন্দ্রগী এমএলএ অমসুং মণিপুর ট্রাইভেল দিভলপমেন্ট কোর্পোরেসনগী চিয়ারমেন বুংজাগিন ভালতে, চীফ সেক্রেটরী ডা. জে সুরেসবাবু অমদি অতৈ ওফিসিয়েল কয়া শরুক য়াখি।

নুমিৎ নীনি চত্থগদবা জিনজর ফেষ্টিভেল অসি ওর্গনাইজিং কম্মিটি অমনা শিনখিবনি। খোঙচৎ অদুদা চীফ মিনিষ্টরনা ফেরজোল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা থানলোনদা ১৩২ / ৩৩ কেভি পৱার সব–ষ্টেসন অমসু শঙ্গাখি। থৌরম অদুদা চীফ মিনিষ্টরনা লাক্লিবা মে ১৫দগী ষ্টেট অসিদা হেলিকোপ্টর সার্ভিস হৌরগনি হায়না লাউথোক্লদুনা সার্ভিস অসিগী দরকার ওইবা ফন্দ য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্ট্রিনা চাদ ৭৫ অদুগা ষ্টেট সরকারনা চাদ ২৫ পুথোক্কনি।

অতোপ্পা পেসেঞ্জর হেলিকোপ্টর সার্ভিসসু উদান স্কিমগী মখাদা থা তরুক্কী মনুংদা হৌদোক্লগনি। মসিগীদমক সিভিল এভিয়েসন মিনিষ্ট্রিগী জোইন্ট সেক্রেটরী শ্রীমতী উষা পাধে অমদি পৱন হন্স লিমিটেদকী মেনেজিং দিরেক্টর বিপি শর্ম্মনা য়াওনা ঙরাং উন্নদুনা ৱারী শান্নরে,হেলিকোপ্টর পেসেঞ্জর সার্ভিস অসিগীদমক থানলোন, পার্বুং, মোরে, তামেংলোং অমসুং জিরিবামদা তঙাই ফদবা মচাক–মথুং শেমগৎপা য়াওনা হেলিপেদ অথুবা মতমদা শেমগৎলগনি হায়না চীফ মিনিষ্টরনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

লোকেল এমএলএনা হায়বগী মতুং ইন্না মোলনোমদা অনৌবা পৱার সব–ষ্টেসন অমসু অথুবদা শাগনি হায়বগী থাজবা চীফ মিনিষ্টরনা পীরদুনা থানলোন সব–দিভিজনেল হেদ ক্বার্টরগী ওইনা তোঙানবা ১১ কেভি পৱার লাইনসু তিংলগনি হায়খি।

খুদোংচাদবা খরদগী চীফ মিনিষ্টরনা তিপাইমুক য়ৌশিনবা ঙমদবদগী সব–দিভিজন অসিগী ১৩২ /৩৩ পৱার সব–ষ্টেসন অমসু মফম অদুমক্তা কম্মিসন তৌরে হায়না লাউথোকখি।

থৌরম অদুদা পৱার মিনিষ্টর টিঐচ বিশ্বজিৎ, ফোরেষ্ট মিনিষ্টর টিঐচ শ্যামকুমার এমটিদিসিগী চিয়ারমেন বুংজাগিন ভালতে, চীফ সেক্রেটরী ডা. সুরেস বাবু, কম্মিস্নর (পৱার) এম লক্ষমিকুমার, মণিপুর ষ্টেট পৱার কম্পেনি লিমিটেদগী মেনেজিং দিরেক্টর এম সরত অমদি অতৈ ওফিসিয়েল কয়া য়াওখি।

## দ্রগ কেসতা চেন্নবা হান্নগী দিএসপি ...

*এনএবিগী মায়কৈদগী মহাকপু মখা তানা মখোয়গী কষ্টদিদা নুমিৎ ৮নি অমগা রিমান্দ তৌবীনবা প্রেয়র তৌরকখি। অদুবু কোর্টনা থাসিগী ২৪ ফাওবদংগী পুলিস কষ্টদিদা রিমান্দ তৌখিবনি।*

*পনবা য়াবদি য়াম্লবা দ্রগশিং অসিগা কোন্ননা ফাখিবা এমদি সঞ্জিৎ অহম্মদ লাস্করসু হৌজিক থাসিগী ২৪ ফাওবা পুলিস কষ্টদিদা রিমান্দ তৌরক্তুনা ৱাহং পাউহংবগী থবকশিং চত্থরক্লিবনি।*

*মহাক্না দ্রগশিং অসি এমদি অব্দুল লতিফকী য়ুমদগী পেসেঞ্জর গারী (ক্রুইজর)–এএস–১১–এসি–৬৭০০দা হাপচিল্লগা পুরম্বদগী আসাম রাইফলস কাংবুসিনা ফারগা এনএবিদা শিন্নরকখিবনি।*

## অমিট সহা কন্নবগীদমক রাহুল...

রুল ওফ প্রোসিদ্যুর এন্দ কন্দক্ট ওফ ব্যুজিনেসকী মতুং ইন্না মেম্বর ৫০ হেনবনা সাইন তৌদুনা ইমপিচমেন্ট মোসন মুভ তৌরবদি মদু লৌখৎপা য়াই হায়বা লৈবনা মেম্বর ৭১না খূৎয়েক পীরবদি মসি লৌখৎপা য়াই। চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন অমসুং বিজেপি প্রসিদেন্ট ভাবানন্দনা নখোয়গী ষ্টেটঅসি য়েংশিল্লু। নেস্লেল ইশুদা য়াওশিনগনু। হুন্নরবদি লৈতুম ৱাৎলোই।

গর্ভর্ণমেন্টঅসিনা কয়ারক ৱাশকখ্রে, পেকেজ কয়া লাউথোকখ্রে। অদুবু বজেটকী মনুংদা য়াওবা থবকসু পেকেজ হায়না লাউথোক্লি। মসিদি পেকেজ নত্তে। বিজেপি গর্ভর্ণমেন্ট অসি থা ১৫গী মতুংদা তুমিন্না লৈবা ঙম্লোই। মখোয়না থা ১৫দা পাঙথোক্কনি হায়খিবদু ঙমদ্রবদি তুমিন্না লৈরোই। মখোয়না শঙ্গারিবা অসি কংগ্রেসকী মতমদা পায়খৎলম্বা ঙাক্তনি হায়খি।